**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিদা লম হেক্তর ৪০০ রোমদা ওর্গানিক ফার্মিং মায় পাকা পায়খৎনবা সরকারনা থৌরাং তৌরে।

২) বোসেমগী মখাদা পাঙথোক্কদবা ঐচ.এস.এল.সি কম্পার্মেন্টেল অমসুং স্পিপসিয়েল একজামিনেসন থা অসিগী ২২ দগী হৌরগনি।

৩) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- খা-নোংচুপ্পগী লাকপা কুমগী নোং ঙসিদগী মণিপুর য়ৌরক্লে, লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা মণিপুরগী অয়াম্বা জিলাশিংদা নোং চুরবা য়াই।

৪) ভারতকী শেল থুমগী ফিভম হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা ঙসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ মোদিনা মহাক্কী ইকোনোমিক এদভাইজরি কাউন্সিলগী মীহুৎশিং উন্নখ্রে।

অমসুং

৫) ফুড সেফতি এন্দ ষ্টেন্দর্দস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া ঈষ্টর্ন রিজন্না মীয়ামগী হকশেলগী য়েংলগা পাউচেশিংনা অচা অথক য়োম্বা অমদি হাপ্পুনা পীবগী থৌওংশিং লেপবা খঙহনখ্রে।

------

মেলা(এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিদা লম হেক্তর ৪০০ রোমদা ওর্গানিক ফার্মিং মায় পাকা পায়খৎনবা সরকারনা থৌরাং তৌরে।

ইম্ফালগী কোনুং মমাংদা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোক্কদবা রাজ্যগী ক্রিসি মেলা ২০২৬ হৌদোকপগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা কেমিকেল ফরতিলাইজর-খুৎশেমগী হারনা মীওইবগী হকচাংদা শোকহল্লিবা অসিগী য়েংলগা য়ারিবা মখৈ খুৎশেমগী হার লৌউ শিংউগী থবক্তা শিজিন্নবা হন্থনবা থৌরাং পায়খৎপা হৌরক্লি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- লৌফম কয়া থা খরখক লৌউবা, মনা মশিং থাবগী থবক তৌরগা থা কয়া অমা হাংদুনা লৈবগী মমি তারিবা অসি করিগুম্বা চহি চুপ্পা শংহনবা ঙম্লবদি রাজ্য অসিগী শেনমিৎলোনদা চাউনা কান্নবা পীগনি। চহি অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা হার বেগ লাখ ১ লিশিং ৫০ লৈরে। মসিসু চহি অসিগী সেপ্তেম্বর থা ফাওবদদি লাখ অনি হেল্লগনি। য়ুরিয়া হার রাজ্য অসিদা মরাং কায়না পুশিল্লক্লবসু হার ফংদবগী ৱাথোক হেক হেক থোক্লিবা অসি মরী লৈনবা বিভাগনা য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

মনিপুর সরকারগী লৌউ শিংউ বিভাগনা শিনদুনা হার করমা শিজিন্নগদগে হায়বা হীরমদা য়ুম্ফম ওইদুনা পাঙথোকখিবা রাজ্যগী ক্রিসি মেলা ২০২৬ থৌরম অদুদা মনিপুর সিদ এন্দ ওর্গানিক সার্টিফিকেসন এজেন্সিসু হাংদোকখি।

থৌরম অদুদা সেন্ত্রেল এগ্রীকলচর য়ুনিভরসিতি (সি.এ.য়ু) ইম্ফালগী ভাইস চাঞ্চেল্লর য়াওনা রাজ্য সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংসু মেলা অসিদা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী মনুং চন্না নেচরেল ফার্মিংগী স্কোপ সার্টিফিকেটশিংসু য়েন্থোকখি অমদি মহৌশাগী লৌউ পথাপনা পুথোকপা পোৎথোকশিংসু মীয়ামদা পুথোক্তুনা উৎখি।

লৌউ শিংউ বিভাগ অমদি সেন্ত্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতি অনিনা নেচরেল ফার্মিং সার্টিফিকেসনগা মরী লৈননা য়ান্ন-চে অমসু ঙসিগী থৌরম অদুদা সহি তৌনখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না লৌমীশিংদা অতাবা মমলদা লৌউ উবদা শিজিন্নগদবা খুৎশু খুৎলায়শিং য়েন্থোকখি অমদি রাজ্যগী খ্বাইদগী ফবা লৌমীগী মনা য়াওনা খ্বাইদগী ফবা অত্ম দিষ্ট্রিক্ট এৱার্ডসু মুখ্য মন্ত্রিনা খুৎশিন্নখি।

বোম (এল)ঃ  থৌবাল জিলাগী খোংজোম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তেন্থা গ্রাম পঞ্চায়টকী এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতিগী চেয়ারপার্সনগী য়ুমদা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ মখায়রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা য়ুম্লক্তা বোম পোকখায়হনবা য়ানিংদে, মীচম মায়ামদা অকি অখঙ পীবীগনু অমদি ঐখোয় শান্তি পাম্মী হায়না থাবা প্লেকার্দশিং শিজিন্নখি।

একজাম (এল)ঃ  বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর (বোসেম)গী মখাদা পাঙথোক্কদবা হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট (ঐচ.এস.এল.সি) কম্পার্মেন্টেল অমসুং স্পিসিয়েল একজামিনেসন থা অসিগী ২২ দগী হৌরগনি।

বোসেমগী কন্ত্রোল্লর ওফ একজামিনেসন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়-পরিক্ষা অসি থা অসিগী ২৯ ফাওবা তোঙান তোঙানবা সেন্তর ১০ দা পাঙথোক্কনি। সেনাপতিগী ওইনা কারোংগী লাউ রেদিয়ান্ট স্কুলদা, কাংপোকপীগী ওইনা মোটবুং হাইস্কুলদা, উখ্রুলগী ওইনা উখ্রুল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা, তমেংলোংগী ওইনা তমেংলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, চুরাচান্দপুরগীনা দোনবোস্কো হায়র সেকেন্দরি স্কুল চুরাচান্দপুর, জিরিবামগীনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল, বোরো বেক্রাগী ওইনা বোরো বেক্রা হায়র সেকেন্দরি স্কুল পল্লেলগী ওইনা সেন্ট জোসেফ হাইস্কুল কুরাউপোকপী, মোরেগী ওইনা সেন্ট জোর্জ স্কুল মোরে অমসুং ইম্ফালগী ওইনা সি.সি. হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা সেন্তর ওইগনি হায়রি।

ডে(এল)ঃ  ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে-২০২৬ কী থৌরম ঙসিসু রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকখি।

ইন্সপয়ার বাই নেচর, ফোর ক্লাইমেট ফোর অৱার ফ্যুচর হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা উ চারা কয়া থাবনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

রাজ্য সরকারগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি বিভাগনসু নুমিৎ অসি তাকয়েলদা লৈবা মনিপুর সাইন্স সেন্টরগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি নুংথিল পালন তৌখি। থৌরমদুদা বিভাগ অসিগী সেক্রেটরি-কেঙ্ জ্রিংলা, দিরেক্তর-চিঙাখম সাচি অমদি মাস্টেক্কী দাইরেক্তর-ডা: কে.ঐচ. রাকেশ শরুক য়াখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লুৱাংশংবমদা লৈবা করমেল জ্যোতি চিলদ্রেন হোমদসু ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগা মরী লৈননা ৱান এক প্লে অমদি স্পিস কম্পিটিসন পাঙথোকখি। থৌরমদুদা ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট অমদি ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগকী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাখ ভাজপায় অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

তেংনৌপল জিলাগী নুংঙৌরোক খুলদসু নোংমগী ওইবা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরমগা লোয়নননা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদু সভেন ষ্টার ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন, নুংঙৌরোক ভিলেজ ওথোরিতি অমসুং য়ুথ ক্লবনা রিটচ এন্দ নুংঙৌরোক্কা খুৎশমনা শিনবনি। থৌরম অদুদা এ.আই.আর ইম্ফালগী পাউমী জিরে মোয়োন্না রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

লৈবাক শিনবা থুংনা চথরিবা এক পের মা কে নাম কেম্পেনগা লোয়নননা তমেংলোং অমসুং নোনেগী জিলাদসু ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অসি তমেংলোং টাইম, গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন্না চর্চ য়ুথ মিনিষ্ট্রিগা পুন্না শিনদুনা তমেংলোং বেপটিষ্ট চর্চকী য়ুথ হোলদা পাঙথোকখি।

নোনে জিলাগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং নোনে ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা লোংমাই পার্ট ৱানদা লৈবা দি.সি. ওফিসতা পাঙথোকখি। অপুনবা ইমাগী মচাশিং (এইমস) মণিপুরনা শিন্দুনা কাংপোকপী জিলাগী মপাউ জিংসো খ্লদসু থৌরম অসি পাঙথোকখি।

নিশিকান্ট ঃ কৈশামথোং কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা আর্ট এন্দ কলচর অমসুং শান্ন-খোৎনবগী লমদা মীংচৎ পুরকখ্রবা মীওইশিংদা অচম্বা খুদোল পীদুনা ইকায় খুম বগী থৌরম অমা ঙসি এম.এল.এ- শাপম নিশিকান্টকী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে। টিম

নিশিকান্টনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা কেন্সরনা নারবা মীওই অনিদসু শেলগী মতেং পীখি।

ব্লড (এল)ঃ ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা ঈ দান তৌবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি খোঙনাংথাবা য়ুনিভর্সিতি খুরাই কোনশম লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মরুওইনা মীয়ামা চাং নাইনা ঈ দান তৌবগী মরুওইবা কয়া অদু খন্ননবগী পান্দমদা কলেজ ওফ নর্সিং, কলেজ ওফ ফারমাসি, কংলৈপাক মেদিকেল অমদি খোঙনাংথাবা য়ুনিভর্সিতিগা খুৎশমনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা ঈ দান তৌবা অসিনা অনা লায়েংদা খুদক্কী ওইবা ঈ দরকার লাকপা মতমদা ঈগী অৱাৎপা লৈহন্দবা ঙমগনি। মসিগীসু মথক্তা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবদসু চাউনা মতেং ওইগনি।

মেট (এল) ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- খা-নোংচুপ্তুগী লাকপা কুমগী নোং ঙসিদগী মণিপুর য়ৌরক্লে, লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা মণিপুরগী অয়াম্বা জিলাশিংদা নোং চুরবা য়াই।

সেন্তর অসিগী চেরোল অমনা হায়- ঙসিদগী রাজ্য অসিগী চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং তেংনৌপল জিলাদা খা-নোংচুপ্তুগী লাকপা কুমগী নোং য়ৌবা হৌরে। মসিগা লোয়ননা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, জিরিবাম, নোনে, চুরাচান্দপুর অমদি ফেরজোল জিলাগী মফম খরদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুগনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, কামজোং, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল, চান্দেলনচিংবা জিলাগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদসু হায়রিবা মতম অসিদা নোং চুরবা য়াই।

মোদিঃ ভারতকী শেল থুমগী ফিভম হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা ঙসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী ইকোনোমিক এদভাইজরি কাউন্সিলগী মীহুৎশিং উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা, মালেমগী ওইরক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম মরক অসিদা লৈবাক

অসিগী শেল থুমগী ফিভম মতৌ করমা ফগৎহনগনি হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। মসিগীসু মথক্তা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা অমদি লাইথোকা লল্লোন ঈতিক তৌনবা লন্বীশিংগী মতাংদসু এদভাইজরশিংদগী মোত লৌখি। এদভাইজরি কাউন্সিলগী মাইকৈদগী নোংচুপ এসিয়াদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা ভারত য়াওনা মালেমগী লৈবাকশিংদা পীরিবা চৈথেংশিং অসি থেংননবগী মতাংদা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং প্রধান মন্ত্রিদা পাউদমখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারতকী শেল থুমগী ফিভমদা তুং কোইনা অহোংবা অমা পুরকবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কুপা খন্নখি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- মালেমগী মফম কয়াদা শেল থুমগী খুদোংচাদবা মায়োকরবসু ভারতকী ইকোনোমিদি নোংম নোংমগী ফগৎপা হেনগৎলক্লি। শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী জি.দি.পি গ্রোথ রেট চাদা ৭.৭ য়ৌখিবা অদুবু পাল্লদুনা শ্রী রাজনাথনা হায়- জি.দি.পি গ্রোথ রেটতা হেনগৎলিবা অসি হৌখিবা চহি ১২ রোম অসিদা লৈবাক অসিনা মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনরকখিবা অমদি মদুনা মপাঙ্গল হেনগৎহনখিবনা ওইরকখিবনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎপা থৌরাং কয়া মায় পাকপদগী মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংনা অৱাবা মায়োকরিবা অসি ভারতনা চাওখৎ খোঙথাংগী লমদা নোংম নোংমগী চংশিনবা ঙল্লকপনি হায়না শ্রী রাজনাথনা মখা তাখি।

ফুড সেফতি ঃ ফুড সেফতি এন্দ ষ্টেন্দর্দস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া ৱেষ্টর্ন রিজন্না মীয়ামগী হকশেলগী য়েংলগা অচা অথক য়োল্লিবা মীওইশিংদা খুদক্তগী নুংতিগী ফোংবা পাউচেশিংনা অচা অথক য়োম্বা অমদি হাপ্তুনা পীবগী থৌওংশিং লেপবা খঙহনখ্রে।

ওথোরিতিনা হায়- পাউচে নম্বদা শিজিন্নরিবা মুক অসিদা হকচাংদা শোকপা য়াবা কেমিকেল কয়া য়াওই। অচা অথকশিং পাউচেনা য়োমদুনা থম্বনা চান থকবা পোৎলমশিং অদু ফত্তবা ওল্লক্তুনা পুন্সি চুপ্পা লোয়নদুনা লৈগদবা

অনাবা কয়া ওইরকপা য়াই। ফুড সেফতি এন্দ ষ্টেন্দর্দস পেকেজিং রেগুলেসন ২০১৮ গী মতুংইন্না পাউচেনা চান-থকবা পোৎলমশিং য়োন্বা য়াদে। মরম অদুনা চান-থকবা য়োল্লিবা দুকানশিংনা ওথোরিতিনা অয়াবা পীরবা ফুড গ্রেট পেকেজিং মেটরিয়েল খক্তমক শিজিন্নবীয়ু। লোয়ননা মীয়ামসু মসিদগী চেকশিন্ননবা আপীল তৌরি।

গজেন্দ্র ঃ কেন্দ্রগী কলচর অমদি তুরিজম মন্ত্রি গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱটনা হায়রি- হৌখিবা চহি ১২ অসিদা য়ুম লাখ ৪০ হেনবদা সোলর ইনর্জি ফংহনবা ঙমখ্রে। মসিগী মথক্তা লৌউ শিংগী লমদসু সোলর ইনর্জি শিজিন্নবগী চাং শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎতুনা অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা থম্বদা মতেং পাংবা ঙমলে।

সিবিএসইঃ সেন্ত্রেল বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন (সি.বি.এস.ই)না রি-এভালুয়েসন অমদি মার্ক শেমদোক শেমজিন তৌবগী এপ্লিকেসন থাজিনবগী মতম হয়েং ফাওবা শাংদোক্লে হায়রি।

বোর্ড অসিনা থোকপা ৱারোল অমগী মতুং ইন্না মহৈরোইশিংগী খল্লগা নৌনা মতম অসি শাংদোকবা ৱারেপ লৌখিবনি। হান্নদি এপ্লিকেসন থাজিনবগী মতম অসি ঙসি লোয়গদবনি। রি-এভালুয়েসন তৌনিংবা মহৈরোইশিংনা পীরিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী এপ্লিকেসনশিং পীশিল্লকবসু সি.বি.এস.ইনা আপিল তৌরি।

জয়শঙ্করঃ মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা নেপালগী মপান থৌরম মন্ত্রি-শিসির খনালগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা নিউ দিল্লিদা ৱারী শান্নখ্রে। উন্নবা অদুদা লৈবাক অনিনা লম্বী থোং, ইনর্জি অমদি লল্লোন ইতিক য়াওনা লৈবাক অনিগী মীয়ামগী মরক্তা মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱারী শাখি হায়রি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মচিৎ চৎপা রন্ধির জৈসৱালনা হায়- নেপালগী মপান থৌরম মন্ত্রি সিসির খনালগী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না

ফগৎহল্লগনি। অমরোমদা, শ্রী খনালগী নুমিৎ হুমিগী ভারত খোঙচৎ মনুংদা ঙরাং নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর অজিৎ দোবালগসু উন্নখি। ভারত্তা লৈবা নেপাল এম্বেসিগী পাউ মতুংইন্না উন্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী সেক্যুরিতিগী ওইবা মরুওইবা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

-হৌজিক শান্নবগী পাউ--

এথলেট ঃ   এসিয়ান অন্দর ত্বেন্তি থ্রি এথলেতিক চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগদবা ভারতকী এথলেট ৫৪ গী মনুংদা মণিপুরদগী এথলেট হুইদ্রো ভুমেশ্বরি য়াওরক্লে। চাইনাগী ওলদোসতা থা অসিগী ৯ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা ভুমেশ্বরিনা মিটর ৮০০ অমসুং মিটর লিশিং ১,৫০০ গী মিদল দিষ্টেন্স ত্রেক্ক ইভেন্টতা শরুক য়াগনি।

ফুটবোল ঃ ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই-সি.বি.ই মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এথলেতিক ব্রদরস এসোসিয়েসন্না ময়াংইম্ফাল য়ুনাইতেদ এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এন.এম.এফ.এনা রাহি য়ু.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ   অহুমসুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেম্মা দেবী মেমোরিয়েল টি-ত্বেন্তি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা চেম্প খাগেমপল্লিনা নাপসা খা ইম্ফালবু রন ২৮ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ   আর.সি.এ লিলোংনা মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ ৱান ডে ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী চেম্পিয়ন ওইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা আর.সি.এ লিলোংনা কে.এস.দি.ও. ক্যামগৈবু রন ৭২ দা থোইখি। ত্রোফি

অসিগী প্লেয়ার ওফ দ মেটচনা আর.সি.এগী হৈবোকময়ুম লক্কি অহামদ, প্লেয়ার ওফ দ তুরনামেন্টনা কে.এস.দি.ওগী খুৎহৈবম অবু সুফিয়ান অমদি হাইয়েস রন স্কোররনা এন.সি.এ নম্বোলগী থোঙাম রাহুলনা তারে।

ক্রিকেট ঃ মরিসুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তেন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা পি.টি.আর.সি পাৎশোই পার্ট ফোরনা এল.সি.সি লমশাংবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে।

থৌবাল জিলাগী খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুর পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা ৱাই.য়ু.সি.সি ৱাকৈথেল মোইরাংপুরেলনা থাউ থাংমৈবন্দবু রন ৬৫ দা থোইখি। অদুগা তাওথোং খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদনা কে.সি.সি কোংবা বজারনা পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিবু ৱিকেট ৩ দা থোইখি।

লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা সি.দি.সি.সি শগোলবন্দ শলাম লৈকাইবু রন ১ দা থোখি অমদি মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্তেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা ক্রাউ খমাম বজারনা ব্লু হোক খুরাই লমলোংবু রন ৯ দা থোইখি।

বিরলা ঃ ভারতকী গ্রান্দ মাষ্টর প্রগনানন্ধানা দি নোরৱে চেস টাইটল ২০২৬ লৌবা ঙমখিবদা লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা গ্রান্দ মাষ্টর অসিবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। মহাক্কী তোপ তোপ্পা হৈ শিংবা, কৎথোকপা অমদি হোৎনবা কনবা অদুনা লৈবাক অসিবু চাউথোকচনিঙাই মশক ওইহল্লে হায়রি।

------